# ইন্দিয়াগী অহানবা গম্মা ৱার্ল্ড চেম্পিয়নশিপ গোল্ড মেদলিষ্ট সুরবালা লাইশ্রম তরাম্না ওকখ্রে



থৌবাল, এপ্রিল ০৫ (ঐচএনএস):
মমাং থাগী ২৩ দগী ২৭ ফাওবা নেদরলেন্দগী কোনুং অমষ্টরদামদা নুমিৎ ৫ চুপ্পা পাঙথোকখিবা গ্লোবল এসোসিএসন ওফ মিক্স মার্সিয়ল আর্টস (গম্মা) ৱার্ল্ড চেম্পিয়নশিপ ২০২১গী ১১৫ এল বি এস ষ্ট্রাইকিং এম এম এ ফাইনেল বাউটতা কজ াকষ্টানগী তোমিরিসপু মায়থিবা পীদুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙম্বতা নত্তনা গম্মা ৱার্ল্ড চেম্পিয়নশিপতা লৈবাক অসিগী পুৱারী শেন্বা ঙমখ্রবী মণিপুরী এম এম এ ফাইটর লাইশ্রম সুরবালাবু তরাম্না ওখপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

সেভেনষ্টার য়ুথক্লব খাঙবোক্না শিন্দুনা খাঙবোক সড়কৱাংমা কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা এম এম এ ফাইটর লাইশ্রম সুরবালাবু তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুদা খাঙবোক গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান এন মালা, ৱার্দ মেম্বর এল নবা, সোসল ৱার্কর কে ঐচ মেঞ্জর মঙাঙ, লৈকায়গী অহলশিং কে ঐচ ইতোচৌ অমদি এন ইবোচৌনা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি।

তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা ইন্দিয়াগী অহানবা গম্মা ৱার্ল্ড চেম্পিয়নশিপ গোল্ড মেদলিষ্ট লাইশ্রম সুরবালানা ফোঙদোকখিবদা, হৌজিক হৌজিক মহাক্না শান্নরিবা অমদি শরুক য়ারুরিবা অসি এম্যেচর লেভেলদনি। অদুবু হৌজিক্তি প্রোফেসনল লেভেলদা ৱান চেম্পিয়নশিপনচিংবদা মায় পাক্না শরুকয়াবা ঙম্নবগীদমক প্রেক্টিস চত্থবা হৌরগনি। হান্না মহাক কিক বোক্সিং শান্নরমখি। মদুগী মতুং হৌখিবা কুমজা ২০১৮ দগী মশান্না মখল অসিদা খোঙথাঙজিল্লকখিবনি। এম এম এ দা খোঙথাঙজিল্লক্লবা মতুং বেঙ্গলোরদা প্রেক্টিস তৌদুনা লাকখিবনি। অদুবু ওল্লকপা চহীদা মশাগী খুকউদা নাবনা মরম ওইরগা মতম শাংনা শান্নবা লেপ্পুরবা মতুং হন্দক্কী চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়াখিবনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী ফাইনেল বাউট লম্বা তৌনখিবা অদুদা অহানবা রাউন্দা মহাক্কী ওইথংবা খজাইদা বোন ফ্রেকচর লৈখি। মায়োক্নরিবা ফাইটরনা রুলগী ৱাংমদা চত্থরকখিবা এটেক অমদা মহাক্কী খজাইগী শরুক্তা শোকখিবনি। অদুবু মহাক শোক্লে হায়দুনা নিংহন্নবা ৱাখল ফাওবা লৈখিদে। য়ুমদা লৈহৌরিবা অহলশিংগী নীংবা থুংহনবা ঙম্লরোইদ্রা হায়বা ৱাখলনা মাঙ থারকখি। মদুনা মরম ওইরগা লেমহৌরিবা রাউন্দ অনীদা য়াম্না চেকশিন্না হোৎনদুনা মায়োক্নরিবা ফাইটরগা লম্বা তৌনখি। রাউন্দ অহুম লোইরবা মতুং মহাক্না ৱিন্নর ওইরে হায়না লাউথোরকখিবনি। মতম অদুদা মহাক্কী ৱাখল্লোন্দা ফাওখিবা অৱা নুংঙাইগী মতাংদসু মহাকপু তরাম্না ওকপদা শরুক য়ারিবা মীওইশিংদা পাউদমখি।

পনবা য়াবদি, লাইশ্রম সুরবালা খাঙবোক সোরোক ৱাংমদগী লাইশ্রম চন্দ্র অমদি লাইশ্রম ওংবী অনিতাগী মচা অহুম ফংজবগী মনুংদা অনীশুবনি। মহাক্না কিক্ বোক্সিংদা লৈবাক অসিগী মিংচৎ কয়ারক হন্না পুরকখ্রবা মতুং মিক্স মার্সিএল আর্টসতসু ইন্টরনেসনলগী থাক্তা শান্নদুনা লৈবাক অসিগী মিংচৎ মখা তানা পুরক্লবা হোৎনদুনা লাকখিবনি।

# মণিপুর হোক্কীগী চহীগী ওইবা মীফমদা মরী লৈনবা ক্লবশিংগী মীহুৎশিং য়াওহন্নবা আপীল তৌরক্লি

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৫ (ঐচএনএস):
মণিপুর হোক্কীগী চহীগী ওইবা মীফমদা লমদম অসিদা লৈরিবা দিষ্ট্রিক্ট য়ুনিটশিংগী মীহুৎখক্তমক য়াওহনবগী মহুত্তা লমদম অসিদা লৈরিবা হোক্কী মশান্নগা মরী লৈনবা ক্লব অমদি ওর্গনাইজেসনশিংগী ওইনা য়ামদ্রবদা মীহুৎ অমমম য়াওহন্নবা ওল মণিপুর হোক্কী য়ুনাইটেদ ক্লব (হোক্কী লিজেন্দ) না অপিল তৌরকখিবগা লোয়ননা তোঙানবা তোঙানবা পেন্দবগী ৱাফম কয়াসু ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা ঙসি কোন্থা অহল্লুপতা লৈবা ৱাই সী সী আই সীগী শঙলেন্দা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ওল মণিপুর হোক্কী য়ুনাইটেদ ক্লবকী সেক্রেটরি নাউরেম সঞ্জয়না ফোঙদোকখিবদা, মণিপুর হোক্কী না থা অসিদা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরিবা বোদি অসিগী চহীগী ওইবা মীফমদা লমদম অসিদা লৈরিবা হোক্কীবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা হোৎনরিবা ক্লব অমদি ওর্গনাইজেসনশিংগী মীহুৎশিং য়াওহনগদবনি। অদুবু মসিগী ওন্ন তৈনবদা দিষ্ট্রিক্ট য়ুনিটখক্তগী ওইবা মীহুৎশিং য়াওহন্নবা হোৎনরক্লিবা অসি লাইবক থিবনি। মরম অদুনা লমদম অসিদা হোক্কীবু মপুঙ ফানা চাওখৎহন্নবা হোৎনবদা পুন্না থবক তৌমিন্নবা মথৌ তাই।

মণিপুর হোক্কীনা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা লমদম অসিদা লৈরিবা হোক্কীগা মরী লৈনবা ক্লব অমদি ওর্গনাইজেসনশিংগী মীহুৎশিং য়াওহন্দনা চহীগী ওইবা মীফম পাঙথোকপা হায়বসি মরম চাদব্রা হায়না খল্লি। মরম অদুনা মণিপুর হোক্কীনা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা চহীগী ওইবা মীফম অসিদা তোঙান তোঙানবা ক্লবশিং অমদি ওর্গনাইজেসনশিংগী ওইবা মীহুৎ অমমমতা ওইরবসু য়াওহন্নবা মহাক্না মখা তানা অপিল তৌখি।




অমরোমদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা হোক্কী ক্লবশিংগী মীহুৎশিংগী ওইবা মীফম অমা ঙসি ৱাই সী সী আই সীগী শঙলেন্দা পাঙথোকখ্রবা মতুং তোঙান তোঙানবা ফিরেপ মঙা লৌখ্রে। ফিরেপশিং অদুদি মণিপুরদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা হোক্কীগী ক্লবশিং অমদি ওর্গনাইজেসনশিং অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা ওল মণিপুর হোক্কী য়ুনাইটেদ ক্লব শেম্বা, মণিপুর হোক্কীনা পাঙথোকপা মীটিং নৎত্রগা কনফরেন্স মরুওইনা চহীগী ওইবা মীফমদা মরী লৈনবা ক্লব নৎত্রগা ওর্গনাইজেসনশিংগী য়ামদ্রবদা মীহুৎ অমমম য়াওহনবা, সিনিয়র নেসনল হোক্কী টুর্নামেন্টতা মণিপুর হোক্কীনা মখোয়গী শান্নরোয়শিং পুথোকপা ঙমদবগী মরম ময়েক শেংনা খঙহনবা, মণিপুর হোক্কীনা টুর্নামেন্টশিং মপুঙ ফানা শিনবা ঙমদবা অমদি ক্লবশিংনা শিন্নবা হোৎনবদসু মপুঙ ফানা মতেং পীদববু য়ানিংদবা ফোঙদোকপা অমদি মণিপুর হোক্কীনা টুর্নামেন্ট নৎত্রগা চেম্পিয়নশিপকী মতমদা শান্নরোয়শিংদা অৱা চৈথেং পীদবা অমসুং শান্নরোয়শিংনা চখোক চৎশিন তৌবদা খুদোংচানবা মাঙজৌননা শিন লাংবগী থবক তৌগদবনি হায়বা অসিনি।

ৱাই সী সী আই সীগী সেক্রেটরি এন সঞ্জয়, ৱাই সী সী আই সীগী এদভাইজর আই খম্বা, হোক্কী য়ুনিয়নগী সেক্রেটরি এম সুরদাস অমসুং এস ৱাই য়ু সীগী সেক্রেটরি গেমস এন্দ স্পোর্টসনা প্রেসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা ঙসিগী মীফম অদুদা ৱাই সী সী আই সী, টি দব্লিয়ু সী, কে সী দি ও, থৌবাল হোক্কী, মৈরা বশিখোং, এম এল ঐচ এ লংথবাল, এন য়ু, এস ৱাই য়ু সী, সেয়ো অমদি ঐচ য়ুগী মেম্বর ৩০ রোম্না শরুক য়াখি।

# শরুক য়ানবগীদমক খল্লকপদা নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৫ (ঐচএনএস):
লাক্লিবা মেগী ২৭ তগী ২৯ ফাওবা মহারাষ্ট্রগী বেরুল ঔরঙ্গবাদতা লৈবা জনার্দান স্বামি অশ্রমদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩৪ শুবা নেসনল যোগ চেম্পিয়নশিপতা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শরুক য়ানবা মীওই ৫০ খল্লকখিবা অদুদা ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চনবা থোংজু ফৈজা লৈতোংদা লৈবা যোগ সেন্টরগী শান্নরোয় ৬ খল্লকপদা ষ্টুদেন্টস ৱেলফ্যের কম্মিটি থোংজু ফৈজা লৈতোংনা হরাও নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি।



৩৪ শুবা নেসনল যোগ চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়ানবগীদমক থোংজু ফৈজা লৈতোং যোগ সেন্টরগী শান্নরোয় ৬ অদুদি চহী ৬ তগী ১০ ফাওবগী কেটগরিদা খোইদম্বী থিঙুজম অপোকপা টি ঐচ রোমী, ফমদোম লিম্থোইঙানবী অপোকপা জোন্সন, থাদোই অহোংশাংবম অপোকপা এ প্রফুলো, চহী ১০ দগী ১৫ ফাওবগী কেটগরিদা চুঙ্খাম সোনিয়া অপোকপা সী ঐচ সেলিন্দ্রা, নিরিয়া ফমদোম অপোকপা পি ঐচ সুভাসচন্দ্রনি। চহী ৪০ দগী ৫৫ ফাওবগী কেটগরিদনা ক্ষেত্রিময়ুম নিঙোল থিঙুজম ওংবী মমতাজ লৈমা মপুরোইবা টি ঐচ সনাজাওবনি।

পনবা য়াবদি হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা শ্রী শ্রী রাধা গোবিন্দ যোগ সেন্টরনা শিন্দুনা উরিপোক লাইখুরেম্বী লৈকায়দা লৈবা সেন্টর অসিদা ট্রাইয়ল সেলেক্সন অমা পাঙথোক্লগা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌগদবা শান্নরোয়শিং অসি খনখিবনি। ট্রাইয়ল সেলেক্সন অদুদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদগী লাকখিবা শান্নরোয় ১০০ রোম্না শরুক য়াখি। চেম্পিয়নশিপ অসিদা চহী ৬ তগী হৌরগা ৬৫ ফাওবগী মথক্তা লৈবা মীওইশিংনা শরুক য়াদুনা অথোই অহেন তান্নগনি।

# মালেসিয়াবু ৪-০ দা মায়থিবা পীখ্রে

কেপটাউন, এপ্রিল ০৫ (এজেন্সি):
এফ আই ঐচ ৱিমেন্স জুনিয়র ৱার্ল্ড কপকী পুল দিগী ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ইন্দিয়া ৱিমেন্স হোক্কী টিমনা মালেসিয়াবু পাঞ্জল ৪-০ দা মায়থিবা পীদুনা পুল দিগী পোইন্ট টেল্লিদা মকোক থোংনা লৈবা ঙমখিবগা লোয়ননা কার্টর ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী নুপী টিম অসিনা সাউথ কোরিয়াগা ইরাই নুমিত্তা লম্বা তৌনরগনি।

কপ অসিগী ওইনা ইন্দিয়ানা হৌজিক ফাওবদা মেটচ অহুম শান্নখ্রে। মেটচ অহুম শান্নখিবা অদুদা অহুম্মক মায় পাক্তুনা পোইন্ট টেবলদা মকোক থেংনা লৈবা ঙমখিবনি।

পুল দিগী অহানবা মেটচতা ইন্দিয়ানা জর্মনিবু পাঞ্জল ২-১ দা মায়থিবা পীখি। মদুগী মতুং পুল অসিগী অনীশুবা মেটচতা ইন্দিয়াগী নুপী টিম অসিনা ৱেল্সপু পাঞ্জল ৫-১ দা থোইখিবনি। অদুগা ঙসি শান্নখিবা মেটচতনা মালেসিয়াবু ৪-০ দা থোইখিবনি।

# নেরোকা অমসুং ট্রাউ মায় পাকখ্রে

কোলকত্তা, এপ্রিল ০৫ (এজেন্সি):
ৱেষ্ট বেঙ্গলদা লৈবা তোঙান তোঙানবা ফুটবোল ষ্টদিয়মশিংদা হৌজিক হৌজিক পাঙথোক্লিবা হিরো আই লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা মণিপুরগী নেরোকা এফ সী অমসুং ট্রাউ মায় পাকখ্রে।

ঙসি নুংথিল পুঙ ৩ তাবদা নাইহাটি ষ্টদিয়মদা নেরোকা এফ সী অমসুং কেনক্রে টিম অনীগী মরক্তা মেটচ শান্নবা হৌখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদু নেরোকা এফ সীনা পাঞ্জল ২-১ দা থোইখিবনি।

ঙসি নুমিদাং পুঙ ৮.০৫ তাবদা কল্যানি ষ্টদিয়মদা শান্নখিবা লীগ অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদনা ট্রাউনা আইজোল এফ সীবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখিবনি। ট্রাউগী পাঞ্জল অনী অদু মেটচ অসিগী ৩৩ অমসুং ৪১ শুবা মিনিটতা টিম অসিগী খাঙম হোরামনা থংন-থংননা চনখিবনি। অদুগা আইজোল এফ সীগী পাঞ্জল অমদুনা লালথাকিমানা চনখিবনি।

# ৱাই দব্লিয়ু সী অমসুং পি টি সী সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৫ (ঐচএনএস):
মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা ক্রিকেট ফিল্ডশিংদা পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা অহানবা এম এন সী এ সুপরপ্লেট টুর্নামেন্ট ২০২১-২২ গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবাল অমসুং পি টি সী সী পাৎশোয় পার্ট-৩ মায় পাকখ্রে।


টুর্নামেন্ট অসিগী ৪৮ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি অয়ুক পুঙ ৪ তাবদা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টদিয়মদা ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবাল অমসুং পি সী সী ময়ায় কোইবী টিম অনীগী মরক্তা শান্নবা হৌখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অসিদা ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবালনা তোস ঙমদুনা হান্না বেট্টিং তৌনবা খনখি। অহানবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌদুনা শান্নখিবা ৱাই দব্লিয়ু সী টিমগী ওপন্নরনা সেরাম রোবিন্সন অমসুং জিকো সোরাকখাইবমনা ওইখি।

ওপন্নর ওইখিবা জিকোদি ঙসিগী মেটচ অসিদা রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা আউট ওইখি। অদুগা রোবিন্সননা বোল ৭৯ দা রন ৫০ লৌদুনা টিম অসিগী রন মশিং য়ামহন্নবা হোৎনবদা চাওনা মতেং পাংলমখি। মখোয়গী মতুংদা থোরকখিবা বেটসমেন ঙাংবম বিক্রমজিৎনা বোল ১০৮ দা পুন্না রন ১০০ লৌবা ঙমদুনা অপীবা ওভর ৪০ লোইবা ফাওবদা আউট ওইদনা লৈখি। মেটচ অসিদা ৱাই দব্লিয়ু সীনা অপীবা ওভর ৪০ লোইবদা ৱীকেট ৪ তুরগা পুন্না রন ২০৯ লৌবা ঙমখি।

মেটচ অসিগী অনীশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা পি সী সী টিমগী ওইনা চরোইবম তাইসন অমসুং বোবি মৈতৈনা ওপন্নর ওইখি। টিম অসিগী বেটসমেন অয়াম্বনা লম্বা তৌনরিবা ৱাই দব্লিয়ু সীগী বোলশিং মায়োক য়ানবা হোৎনবদা চাওনা খুদোংচাদবশিং মায়োক্নখি। টিম অসিগী ওইনা বেটসমেন বোবিনা বোল ৭৫ দা রন ৩৪ অদুগা লোংজম গিবসননা বোল ৩৮ দা রন ৩১ লৌরম্বা অদু নত্তনা অতোপ্পা বেটসমেন অমত্তনা রন ২০ ফানা লৌবা ঙমখিদে। মদুনা মরম ওইরগা মেটচ অসিগী ওভর ৩৯ শুরকপদা টিম অসিগী ৱীকেট ১০ মক তুরগা রন ১৩৭ তগী হেন্না লৌবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু ৱাই দব্লিয়ু সীগী মখুত্তা রন ৭২ দা মায়থিখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৪৯ শুবা মেটচ ওইনা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা ঙসি অয়ুক পুঙ ৪ তাবদা পি টি সী সী পাৎশোয় পার্ট-৩ অমসুং মুভানলাই ন্যু লম্বুলেন টিম অনীগী মরক্তা শান্নবা হৌখি। মেটচ অসিগী তোস পি টি সী সীনা ঙমদুনা হান্না বেট্টিং তৌনবা খনখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অসিদা পি টি সী সীনা ওভর ২৫ গা বোল ৫ দা ৱীকেট ১০ মক তুরগা রন ১৩৬ লৌখি। অমরোমদা মুভানলাইগী ওইনা মেটচ অসিগী ওভর ২৯ দা ৱীকেট ১০ মক আউট ওইরগা রন ১১৮ তগী হেন্না লৌবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু পি টি সী সীনা রন ১৮ দা থোইখিবনি।

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



## PUZZLE NO. 417

**Bertok, Mario (2425) - Kovacevic, Vlatko (2495)**
**Virovitica (8), 1977**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.d4 d5 | 2.c4 dxc4 | 3.Nf3 Nf6 | 4.e3 Bg4 |
| 5.Bxc4 e6 | 6.h3 Bh5 | 7.Nc3 a6 | 8.Be2 Nc6 |
| 9.O-O Bd6 | 10.b3 O-O | 11.Bb2 Qe8 | 12.Nd2 Bxe2 |
| 13.Qxe2 e5 | 14.d5 Ne7 | 15.e4 Ng6 | 16.g3 Qd7 |
| 17.Kg2 Ne8 | 18.Nc4 f5 | 19.exf5 Rxf5 | 20.Ne4 Be7 |
| 21.Rad1 Nf6 | 22.Nxf6+ Bxf6 | 23.Qg4 Rd8 | 24.Ne3 Rg5 |
| 25.Qxd7 Rxd7 | 26.Kh2 Ne7 | 27.h4 Rh5 | 28.Kh3 Kf7 |
| 29.Kg4 g6 | 30.f3 Bg7 | 31.Kh3 g5 | 32.Kg4 Kg6 |
| 33.hxg5 Rh2 | 34.Bc1... | | |

**QUESTION :**
**Black to win**

**Puzzle 416 Ans. :**
37. Rxg6+ The white rook clears the way for White's rook to the square f7. Opening the line from h6 to h7. hxg6 38. h7+ The white pawn deflects Black's king away from protecting the square f7. Kxh7 39. Rf7+ Kg8 40. Rg7+ Kf8 41. Qf4+ Nf6 42.Qxf6#
37. Rxg6+ hxg6 38. h7+ Kxh7 39. Rf7+ Kg8 40.Rg7+
1-0

S3 COACHING CENTRE
(STEP TO SURE SUCCESS)
NAGAMAPAL RIMS ROAD CORNER
ADMISSION OPEN FOR BOTH CBSE & BOSEM FOUNDATION COURSE
CLASSES: VI to X, XI & XII (Sciences)
Subjects offered are:
For Class VI to VIII – All subjects
For Class IX & X – Maths, Science, Social Science & English (MM as per condition)
For Class XI & XII – Maths, Physics, Chemistry & Biology (Eng. & MM as per condition)
Hurry Limited Seats!!
CLASS COMMENCING SOON UNDER PROPER SOP
Special Features are:
1. Regular Test
2. Perfect Student's help notes and Q & A
3. Well known Guest Facilities
4. Practical teaching method
5. Van Services
6. Hostel for Boys & Girls
Duration of Course
IX & X – 5 Months
XI & XII – 6 Months
Class Timing:
Morning: 5:00 am to 7:30 am
Evening: 4:00 pm to 7:00 pm
* Home Tuition available for classes VI to XII
*Special reference for weak students and 1 month free classes on previous year.
For more details Please Contact: 9089770462 / 9362333195
HL-P/2135/1-30/4 (alt)

## OFFICE OF THE THOUBAL COOPERATIVE UNION LTD., THOUBAL, MANIPUR

### NOTIFICATION

Thoubal, the 4th April, 2022

No. 02/TUCB(EST)/11-12/3 : It is hereby notified for general information of all members of the THOUBAL URBAN COOPERATIVE UNION LTD., Thoubal, Manipur that election of a new Board of Directors of the Union for the term 2022 to 2027 will be held on Friday the 29th April 2022 at 11 a.m. at the Union office chamber.

2. The current BOD term is expiring on 2nd May, 2022 and the new BOD will assume office from 3rd May 2022.

SCHEDULE DATE:

1. Last date of submission of nomination papers - 22.04.2022
2. Date of Scrutiny - 25.04.2022
3. Date of withdrawal and publication of final list - 27.04.2022
4. Date of Election - 29.04.2022

**Sd/- A Bharjit Singh**
**Chief Executive Officer**

HL-P/1321/6

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IRONG CHESABA

**Ref. Mutation Case No. 04/SDC/ICH of 2022**

Yumnam Inaocha Singh S/o (L) Shyama Singh of Maibam Konjil Mayai Leikai. -Petitioner

-Vs-

Yumnam Pramo Devi W/o (L) Shyam Singh of Maibam Konjil. -OPP

### NOTICE

Irong Chesaba, the 31st March, 2022

Under Section 46(3) MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি অরিবা পাট্টা নং ৪৮ অনৌবা পাট্টা নং ৩৮ দখল তৌরিবা দাগকী নং ১০৬, এরিয়া .৩২৬০ হেক্টর, ইঙ্খোল, খুল নং ৪-মাইবম কোঞ্জিল হায়রিবা পাট্টাদার অসি মৃত ওইখ্রে। মরম অসিনা দখল তৌরিবা দাগকী ময়াইদা .০৬০৭ হেক্টর অসি পিটিসনিরগী মিংদা পাট্টা নামা ওনশিনবীরো হায়দুনা এস দি সী ইরোং চেছবগী কোর্টতা দরখাষ্ট থারকপগী মতুংইন্না লৈখিদ্রবা পাট্টাদারগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা ওবজেক্সন তৌবীনিংলবদি পাউচে অসিনা ফোঙখিবা নুমিৎতগী থারগা নুমিৎ তরেৎনি ফাওবগী মনুংদা ওফিস মতমদা লাক্তুনা ওফিস অসিদা অইবা চেনা ওবজেক্সন তৌবীরবা য়াগনি। হায়রিবা নুমিৎ অসি ফাওবগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি কেস মখা চত্থরগনি তুংদা লাকপা ওবজেক্সন খূদিংমক কোর্ট অসিনা লৌজরোই।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Irong Chesaba

HL-P/2027/6

## OFFICE OF THE IMPHAL MUNICIPAL CORPORATION

### NOTICE

*Imphal, the 5th April 2022*

***No IMC/385/P-X/2000***: - In continuation of this Office Order No. *IMC/385/P-X/2000* dated 15th April 2020, it is hereby notify that all the vehicles of Shop owners/keepers, officials of financial institutions/any kind of establishments and residents of Paona Bazar (transacting business or residing within the stretch from "Mahabir Pharmacy till the end of Paona International Market") should park their respective vehicles at the "western road side, behind Johnstone Higher Secondary School" from 05:00 am to 07:00 pm with immediate effect.

Therefore, all the Shop owners/keepers, officials of financial institutions/any kind of establishments and residents of the above mentioned area are requested to submit details of vehicles and apply for allotment of their respective vehicles pass from the Imphal Municipal Corporation at the earliest.

All Agents/Firms are requested to make necessary arrangement for parking.

***Sd/- Ksh. Gyanendra Singh***
Asst. Municipal Commissioner,
Imphal Municipal Corporation.

HL-B/7586/6



SMART
TUTORIAL CENTRE
SINGJAMEI SUPERMARKET
1st POSITION HOLDER HSLC 2019 (BOSEM) BHUMIKA SHAMURAILATPAM
2nd POSITION HOLDER HSLC 2019 (BOSEM) SHOPHIYA ASEM
ADMISSION OPEN
BOSEM/COHSEM/CBSE
SCIENCE, ARTS & COMMERCE
MEDICAL, ENGINEERING & NDA course for 2022
16th FOUNDATION course 2022 for CLASS IX, X, XI & XII
CLASS STARTS: 13 APRIL, 25 APRIL & 10 MAY 2022
HOSTEL+VAN SERVICE available for both boys & girls
FREE supply of printed questions & answers, weekly exam and MEGA TEST
ALL SUBJECTS
CALL: 8730999192, 03857966211
WEBSITE: https://smarttutorial.org/
TEACHERS WANTED
1. Accountancy 2. Business Studies
HL-P/1789/28/3-29/4(alt)

## IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-X, MANIPUR

**Ref: Mut. Case No. 18/AS&SO/X** **Date 31/3/2022**

Ganesh Prasad Sahu S/o (Late) Naga Shah of Thangal Bazar, Assembly Road. -Petitioner

-Vrs-

Late Naga Shah S/o Late Sukeshwor Shah of Thangal Bazar. -O.P.

### NOTICE

Imphal, 05/04/2022

Under Section 46(3) of MLR and LR Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং 8-Mantripukhri পাট্টা নং 33,63/Angh অরিবা 101/313 অনৌবা দাগ নং 266/470 এরিয়া .043 hectare চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার নং. Late Naga Shah S/o Late Sukeshwor Shah মৃত্ব ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারী অসিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরী-মতাশিং অমসুং ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং 14/4/2022 ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিক অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চত্থরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

**Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer-X**
Manipur

HL-P/2028/6

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com